HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ




কংলাদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শীন্দুনা কংলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বেনিফিসরি ৬৫দা ঈ-ওটো অমসুং ঈ-রিক্সো য়েন্থোকপা

লামায় ১

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী কম্মিটিনা য়েংশিনখ্রে

☛ লামায় ২

অহানবা ওইনা কেস লাখ ১.১৫ হেনগৎলকখ্রে

☛ লামায় ৩


এয়রপোর্টতা থুংলখিবা ২ য়াওনা মীওই ১২ পোজিটিভ ওইরে

☛ লামায় ৪

এন ঈ পিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৫

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা হাংদোক্লিবা ভেক্সিনেসন সেন্টরদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখিবা




Vol. 45, Issue No. 013 | শগোলশেল, লমতাগী ২৭ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, April 08, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


# হেনরিনা মিনিষ্টর ওইবগী মতম শাংদোকহনবীয়ু হায়জখিবা প্রেয়র সুপ্রীম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) :

মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মপুন্সি লৈরিবা কুমজা ২০১৭গী মার্চ ৪দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেম্ব্লী কনষ্টিটুয়েন্সিগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কাৱক্লগা ওগষ্ট ২০২০দা বি জে পিদা য়াওশিন্দুনা ওগষ্ট ১১, ২০২০দা এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌরগা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২০দগী লৈঙাকসিগী মিনিষ্টর ওইবা য়াওরকখিবা এক্স-এম এল এ ওক্রম হেনরি (৩৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা ও লুখোই, মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবনা মহাক্না মিনিষ্টর ওইরকখিবগী মতম শাংদোকহনবীনবা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদু লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখ্রে।



সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২০দগী মার্চ ২৪, ২০২১ ফাওবগী থা ৬কী ওইনা মিনিষ্টর ওইরকখিবা ওক্রম হেনরি মশামক্না পিটিস্নর ওইদুনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর- ৩৫৪ ওফ ২০২১নি। সিভিল রিট পিটিসন অসি মহাক্না মার্চ ১৫, ২০২১দা ফাইল তৌখিবনি। অদুগা এপেক্স কোর্ট অসিনা পিটিসন অদু মার্চ ১৭, ২০২১দা ভেরিফাই তৌরবা মতুংদা নুমীৎ অদুদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-৩৫৪ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

মহাক্কী পিটিসন অসি অহানবা ওইনা এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা জষ্টিস এ এস বোপানা অমসুং জষ্টিস ভি রমাসুব্রমনিয়ন য়াওবা বেঞ্চ অমনা অহানবা ওইনা মার্চ ২৪, ২০২১দা খন্নবগীদমক লৌখৎখি। অদুবু নুমীৎ অদুদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা মহাক্কী পিটিসন অদু খন্নখিদবগা লোয়ননা পিটিসন অসি য়াওশঙগী ছুটি লোইরবা মতুংদা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা মেট্টর অসি অথুবা মতমদা লৌখৎতুনা খন্ননবগীদমক মেন্সন তৌখিবদা কোর্ট অসিনসু অয়াবা পীরক্তুনা ঙসি অমুক হন্না চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিগী কোর্ট নম্বর-১গী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৪দা লিষ্ট তৌখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## গুইতেনা ওইরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী)গী চ্যেরমেন লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটায়র্দ) এল নিশিকান্তনা ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা কম্মিসন অসিগী মেম্বর টি গুইতে রিটায়র্দ আই পি এসনা চ্যেরমেনগী থৌ পুরগনি। অনৌবা চ্যেরমেন অমা খন্দ্রিবা ফাওবা নৎত্রগা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবদি মহাক্না ফম অসি পায়খিগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি : সী এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) :

ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক মীপুম খূদিংমক মশা-মশাগী থৌদাং খঙনা মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কংলাদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শীন্দুনা পাঙথোকপা বেনিফিসরি ৬৫দা ঈ-ওটো অমসুং ঈ-রিক্সো য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাক শন্না উমং কোকথোরকপদগী লমদম অসিদা মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীপুম খূদিংমক মথৌ মশক খঙনা থবক পাঙথোকপগা লোয়ননা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা চেল্লিবা দিজল ওটোরিক্সো পুম্নমক ঈ-ওটোনা মহুৎ শীন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। এয়র পোল্যুসন অমসুং নোইজ পোল্যুসন থোকপগী চাং হস্থহন্নবা লৈঙাক্না গ্রান্ট অমদি লোন পীদুনা দিজল ওটোরিক্সো মহুৎতা ঈ-ওটো ওইনা চেলহল্লগনি।

ঈ-ওটো অমদি ঈ-রিক্সো য়েন্থোকপগী থৌরমদা নুপী কয়ামরুম বেনিফিসরি ওইনা শরুক য়াখিবগী মতাংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## টিকা থারগনি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী) :

বেনিফিসরি ১০০ লৈবা প্রাইভেট অমদি পব্লিক্কী থবক মফমদা এপ্রিল ১১দগী টিকা থাবা হৌনবা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুষননা ষ্টেট পুম্নমক্তা খঙহনখ্রে।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৬৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.০৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### HL Poll

Q: Meeyamna esing fangdabagi awaba kokhannabagi matang da leingakna akhannaba thourang loukhatlakkani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Chinggi Districtsingda A D Cgi meekhal pangthokpagi matangda yetnaba thoraklibasi kokhanba ngamgani khanbra?

Yes 29% No 71%

### অস! লোইরেহে!

- ঐদি শেল চাদ্রে, নতৈমাদা পীরম্মু !



- করিসু কায়দেদা সার !




HL-B/6873/24/3-25/4



HL-B/6909/8



HL-P/9387/8



HL-B/6908/8


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদবর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস কোর নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫